# নেচরোপেথি অমসুং গান্ধীজী

- ডা. কে বসন্ত -

মহাত্মা গান্ধী, নেসনসিগী মপা হায়না খঙনরবা থোইদোক্লা ইন্দিয়াবু নীংতম্বগী ঈহৌদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা লুচিংবা ওইনা খঙনরি। অচুম্বা পাম্বা অহিংসাতবু নীংজবা হীরম খুদিংদা মাঙ থাবিরম্বা লুচিংবা অসিনা হকচাং ফনা লৈননবা হোৎনবদা নেচর কিওরতনা ইন্দিয়াগী মীপুম খুদিংবু মশা ফহন্নবা হোৎনবিরম্বা কয়াবু নীংশিংদুনা ঙসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ***কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ১৮*** নুমিৎ অসিবু ***নেচরোপেথি নুমিৎ*** ওইনা লাউথোক্তুনা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা পাঙথোক্লগদৌরি।

মহাক্কী ঙল্লিঙৈ পুন্সিদগী হৌনা লাইনীংদা চেৎনা থাজবা অমদি শা-ঙা চাদবা ইমুংদগী হৌরকপা অমা ওইনা চম্না লেনজবা, অচুম্বা পামজবা মীশক অমনি। ***ডা. লুইস কুহনে*** অমদি ***ডা. এদোল্ফ জষ্টকী*** লাইরিকশিং পারুবদগী নেচর কিওরদা চেৎনা থাজবা ঙমখি।

পূক্নিং, হকচাং অমদি আত্মা মপূং ফানা ফহনবা হায়বসি মপূং ফাবা হকচাং ফহনবনি। মরম অসিনা ইন্দিয়াগী চল্লবা য়াল্লবা মীয়াম অসিবু মশা ফনা থমগে হায়রবদি হকচাং হকচাং ফনবা অচম্বা চৎন-কাঙলোন খরগী মতুং ইন্না চৎপা তাই। হকচাং নাদনা নুংঙাইনা লৈগে হায়রবদি ঐখোয়না মহৌশা লাইরেন্বীনা পীবিরকপা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎকদবনি :- চাবদা, থকপদা, অশেংবা নুংশিৎ-নুংশা, শাজেল, অকোয়বদা শেংনা থম্বগা লোয়ননা, থম্মোয় শেংবা মথৌ তাই। মসিগী মহুত্তা মী অয়াম্বনা মোর্দন মেদিসিন্দা হেন্না থাজবা থমদুনা মশাগী অশোয়বা, অরানবা লমচৎ-শাজৎ, চাকচা-য়ুথক অমদি মহৌশা লাইরেন্বীগী চৎন-কাঙলোন কায়না চৎতুনা ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইথোকপনা অমদি চৈনা ফংলবা মতমদা ডোক্তরগী মতেং লৌদুনা হীদাক চারগা ফগনি হয়না মীপূম খুদিংমক্লা খন্নরি। অচম্বা খুদম অমতং পল্লবদা, ঐনা হেনজিন্না চাবদগী তুম্বা ঙমদ্রে, চাবা তুম্নবা ডোক্তরদগী হীদাক লৈদুনা চারে, হকচাং নুংঙাইরে। মরম অদুনা মথংদা অমুকসু হেনজিন্না চাবগী হৈনবী অদু অসুমক তৌরে। মতৌ অসুম্না হেনজিন্না চাবগী হৈনবী অসিনা অহেনবা চিঞ্জাকসু মাঙহল্লে, হকচাংদসু অৱাবা পীরে, হীদাক্কী শেলসু তিংহল্লে। তুংদা অতোপ্পা লায়না কয়া হায়বদি দাইবেটিস, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, ওবেসিটি (অরুম্বা হেনগৎপা) নচিংবা লায়না কয়া নারক্লবগী হৈনবী ওইহল্লকই। অদুবু নেচর কিওরগী লায়েংদদি হেনজিন্না চাখিবদগী তুমদবা ওইরবদি লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং গ্লাস ২/৩দা থুম চমচ অমা য়ান্নরগা থকচিন্দুনা চাকখাও তেংথোক্লবদি খুদক্তা চাকখাও অদু য়াঙহন্দুনা ফহনগনি নৎত্রগসু মথংগী চরা অদু হেন্দোক্তুনা অনাবা অদু লায়না ফহনবা ঙমগনি।



অসুম্না লাইহৌ লাকপা মতমদসু নেচর কিওরগী মতুংইন্নদি চন্নদবা হকচাংগী নুংদা লৈবা পোৎচাকশিংবু ইশাগী নুংগী শক্তিনা চাকথেক্তুনা মথন্তা মাঙহন্নবা হোৎনজবনি। ইশা ইতোমতা শেংনা থম্নবা মহৌশাগী নুংগী শক্তিনা হোৎনজবা থৌওং অমনি। মসিবু ঐখোয়না হীদাক চাশিন্দুনা নমশিন্নবা হোৎনরবদি অমুক হন্না লাইহৌদু হৌরক্লবগী খুদোংচাবা পীবনি নৎত্রগা অতোপ্পা লাইওং অমা অমুক নারকপা য়াই।

নেচর কিওরগী মতুংইন্না লায়না হায়বসি হকচাংগী নুংদা চন্নদবা মচাক্লা কুইনা লৈশিল্লকপা মতমদা মদুবু মশা মথন্তা শেংদোক্লবা হোৎনজরকপগী থৌওং অমনি। মরম অসিনা ঐখোয়না লায়না অমবু লায়েংবা মতমদা হকচাংদা লৈরিবা চন্নদ্রবা মচাকশিং অদুবু শেংদোক্লবা হোৎনবনা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই। হকচাং শেংদোক্লবা হোৎনবা মতমদা চারিবা চিঞ্জাক, থক্লিবা ঈশিং, পূক্নিং, ৱাখল পোত্থাবা। চরা হেন্দোকপা নৎত্রগা অচম্বা উহৈ-ৱাহৈ চাদুনা লেনবা নৎত্রগা মহি ওইনা থক্তুনা লেনবনা হকচাংগী মনুংদা অমোৎপা চেলহন্দে। হুমাং লৌথোকপা, অমাংবা লৌথোকপা, ঈশিং নৎত্রগা মহি মনাই মরাং কায়না থক্তুনা চাকখাও মরীল অমদি কিদনিগী ঈশিং মরী শেংনা থম্বগা লোয়ননা ঈদা য়াওবা ফেটকী শরুক, অতৈ হু চেনবা কেমিকেলশিং মাঙহনবদা নৎত্রগা হন্থহন্দুনা অনাবা কয়াদগী ঙাকথোকহৌবা ঙমহল্লি।

গান্ধীজীগী ৱাখলদি হকচাংগী অনাবা অদুখক লায়েংদুনা ফহনবদু নত্তে। নারিবদু করম্না ওইরকখিবনো খঙহনবগা লোয়ননা তুংদা অমুক হন্না নারক্তনবা মশাদা নিংথিনা তাকপীদুনা তুংদা অমুক হন্না নারক্তনবা তন্বীবনি। মরম অদুনা নারিবা মীওই অদু নীংথিনা শেন্নদুনা অয়ূক অঙনবদগী নুমিদাং ফাওবদা করম্না লেনগনি, করি চাগনি, করি থক্কনি, চারিবদু করম্না, কয়াম্না চাগনি হায়বনচিংবা পূম্নমক নীংথিনা তন্বীবা চংই। অসুম্না থক চাবগী মতাংদসু ঈশিং কয়াম্না, মতৌ করম্না, করম্বা মতমদা থক্কনি হায়বসু তাকপীবা চংই। অসুম্না হকচাং শাজেল শানবা, যোগ শান্নবা, শ্বরগী শাজেলনচিংবা কয়াসু নিংথিনা তাকপীরবা মতুংদা তূম্বা/পোত্থাবা, অফবা ৱাখল খনবা তন্বীবা পূম্নমক নিংথিনা খঙহন্দুনা অনৌবা অওনবা মপোক নৎত্রগা পুন্সি অমদা শেন্বীবনি। অসুম্না নেচর কিওর নৎত্রগা নেচরোপেথি হায়বসি মহৌশা খূৎশেমগা মীওইবগা অফবা মরী শেমগৎতুনা চম্না, নুংঙাইনা পূক্নিং হকচাং শেংনা থম্নবা পান্বে অমনি। ইচম চম্না লায়না অদুবু লায়েংবখক নত্তে। মহৌশাগী হোংলক্লিবা খোঙচৎকা লোয়ননা চাবা থকপা, ফিজেৎ, শাজেল, তূম্বা, পোত্থাবনচিংবা পূম্নমকসু হোংদোক্তুনা চৎমিন্নবনি। ইহান হান্না উরুলি, কাঞ্চন, পুনেগী মনাক্তা নেচর কিওর সেন্টর অমা লিংখৎপীরম্মী।

কুমজা ১৯৪৫গী নবেম্বর ১৮দা মহাত্মা গান্ধীজীনা লুচিংদুনা ওল ইন্দিয়া নেচর কিওর ফাউন্দেসন লিংখৎখি। নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা চহী অসিদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌরম অসি তৌনবা হৌদোকপীখি। কুমজা ১৯৫০দা গান্ধীজীনা তাকপীরম্বা য়াথং মতুংইন্না ডা. বিজয়লক্সমি অমসুং ডা. বি ভেন্দতা রাও অনীবু হায়দরবাদকী অমরিপেত্তা বিনোভাজীনা পুবিরক্তুনা নেচর কিওর হোস্পিটাল হৌদোকপীখি। অসুম্না মতম কুইনা চলাইরক্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা খরা য়াম্না নেচর কিওর সেন্টর হাংদোকপা য়ানবা ত্রেনিং সেন্টর ওইনা কুমজা ১৯৭০দগী নেচর কিওর ত্রেনিং কোর্স হৌদোকখি। অহানবদা চহী অনীগী ওইরম্বদগী কুমজা ১৯৭২দগী চহী মরিগী কোর্স ওন্থোক্তুনা ইহান হানবা ওইনা য়ুনিভর্সিটিনা মশক খঙবা নেচরোপেথি কোলেজ গান্ধী নেচর কিওর কোলেজ লিংখৎখি। কোলেজ অসিদগী থোরকখিবা ডোক্তরশিংগা লোয়ননা মথং মথং ইন্দিয়াগী অচৌ অচৌবা কোলেজশিং অমদি হোস্পিটালশিং শন্দোরকখি। ●

# লমচা, নুপী-নুপা # ২

- থোংঙম নব নুপা -

ৱাইনু ঐখোয়গুম্নদি পাইগেদি খল্লুরগনো (লাক্কনু) হায়রিবনিদো। নুপী :- ইমোইনু ঐনা হৌদোক্তুনা (হ) + চাদা নাওদা য়েংলগা (য়েং) হায়বগী হ + য়েং = হয়েং হায়বনে। চাদা নাওদানা য়াল্লক্লবা মপূং মরৈ ফারক্লবা মতমদা খুন্নাইনা (শা) + শেন্নবা ঙল্লক্লবা (শেন) চৎনলোন (থোং) ওইবা হায়বগী শা + শেন + থোং = শাশেনথোং হায়রে। চৎনলোন্দুনা (থোং) + য়ানরক্লবা (য়াই) + মতমদা (দা) হায়বগী থোং + য়াই + দা = থোংয়াইদা হায়রে। খুন্নাইনা (শা) + অহোংবা অমা খঙলকপা (মু) বু, শা + মু = শামু, অসুম্না ওইরক্তুনা (তোংদুনা) থৌরাংলকপদা (লাকপদা) ইমা নঙগুম, ইপা নঙগুম, পাইবা ঙমজরক্কে হায়খিবনে। মতমদুদদি নুপী মীওইবী পাইবা ঙমদ্রবসু হৌজিক্তি মীওইবা ঐখোয়না ৱাইনু চেক্লাদগী হেন্না য়াঙনা, লাপনা পাইবা ঙল্লে, থাগী লৈবাক্তসু য়ৌরে। মতম অদুদদি পাইবা ঙমদবনিনা মচিন্দা তকশি শোন্দুনা লৈহৌরে। অদুগা হায়রক্লে অসুম্না হো-ই-য়া, হো-ই-য়া, হাদা উরিক নাপংবী, ইমা হায়না কৌই, তাদবী, ইপা হায়না কৌই তাদবী হো-ই-য়া, ৱাহন:- হৌদোকপীরম্বা (হৌ) মীওইবা (ই) না য়াজরে (য়া) নখোয়বু ইমানি, ইপানি হায়না খামজবনি, অদুবু অহানবা ওইবা (হাদা) খঙবী উবিরক্লবা (উ) + মীওইবনা হিংবদা তাথি ঙাথিগী লিচৎ (লি) + কী ৱাখল লৌশিং (ক) + পূম্নমক নখোয়না (না) + তাকপী তন্বীদুনা মতেং পাংবী (পাংবী) দুনা থন্বীরম্মে। হায়বগী হাদ উ+ লি + ক + না + পাংবী = হাদ উরিক নাপংবী হায়না কৌজবনি। হৌজিক্তি নৱোং, ইৱোং মান্নদ্রবনা নখোয়না পোকপীরম্লবা (হৌ) মীওইবা (ঈ) অসিনা য়াজরে (য়া) । অদুবু নুপীদো মচিন্দা য়াজরে হায়জরবসু মমা, মপানা চৎখ্রবদা মথৱায় নুংঙাইতে কপ্তুনা লৈখ্রে। মতমসিদা তম্বা নুপা, ইপাখংবনা ইমোইনু নুপীদা থেমজিনবা হৌরক্লে। ৱাফমসি ইরমদমগী চশেনবী লাই হরাওবা থৌরমদা লাইগী থৌরমনি, লাইরোন্নি হায়দুনা লৌশিংবা ইপা-ইপু অরিবশিংনা চেৎনা লোৎতুনা মাঙদনবা পাউরৌ তৌদুনা থন্বীরম্মী।

ইপাখংবনা :- চকপা হৈকলু মখোঙদা শা য়ানশি। খাংনাং হৈকলেন মখোঙদা শা য়ানসি। চীংউ খোইয়ুম লাইনিংথৌ শা য়ানসি। ৱাহন :- চান্নবা (চ) ৱাখল লৌশিং (ক) ওইরবা (পা) হৌরক্লিবা মীওইবগী য়াৱোন্না (হৈ) ৱাখল লৌশিং তৌনা (ক) থৌরাং খঙলবা (লু) মরী মখোঙদা নঙ, ঐগী খুন্নাইনা (শা) য়ানবা ওইরসি (য়ানসি) হায়রিবনে। ইমোইনুগী মরী মখোঙনা (খোংনাং) হৌরক্লিবা মীওইবগী য়াৱোনগী (হৈ) ৱাখল লৌশিং (ক) অথোইবী (লেন), নহাক্কী মরী মখোঙদা নঙ, ঐগী খুন্নাইনা (শা) য়ান্নবা ওইরসি (য়ানসি) হায়রিবনে। মপূং ফানা খঙবীরবা উবীরবা (চীংউ) শেম শাবদসু খঙবী উবীরবা (খোইয়ুম) থৌরাংবিরক্লবা মীওইবগী অনীংবা থৌরমনা (লাইনিংথৌ) নঙ, ঐগী খুন্নাই (শা) য়ানরবা ওইরসি (য়ানসি) অসুম্না হায়রিবনে। য়ানরসি হায়না থেমজিনবনে, অদুবু নুপীদো য়াবা লৈতে কপলি।

মখা তানা ইপাখংবনা হায়রি :- ৱাকোলও, ৱাকোলও ৱাকোল ফাসে শিফাসে। তমদা পাইবা ৱাকোলনা চীংদা পাইগে হায়রে, চীংদা পাইবা ৱাকোলনা তমদা পাইগে হায়রে। ৱাকোল ফাসে লিফাসে। তমদা পাইবা ৱাহোংনা চীংদা পাইগে হায়রে, চীংদা পাইবা ৱাহোংনা তমদা পাইগে হায়রে। তমদা পাইবা ৱাইনুনা চীংদা পাইগে হায়রে। চীংদা পাইবা ৱাইনুনা তমদা পাইগে হায়রে। ৱাকোল ফাসে লিফাসে, ৱাকোল কনোই নোই। ৱাহন :- নুপানা নুপীদা থেমজিনবনি, শিদনবা (ৱাং) হিংনবা থৌরাং (কোল) ওইরো (ও) শিদনবা (ৱাং) হিংনবা থৌরাং (কোল) গী চৎনবী খঙলসি (লিফাসে) হায়রি। মপুনা তন্বীরক্লবা নঙ, ঐনা (তমদা পাইবা) হিংনবা থৌরাংলগা (ৱাকোলনা) ৱাইনু মখোয়গুম্না মপূং ফানা পাইগে হায়রে (চীংদা পাইগে)। অদুবু মপূং ফাবা ইমা, ইপা, ৱাইনু মখোয়নদি (চীংদা পাইবা ৱাকোল্লা) নঙ, ঐগুম মীওইবা ওইগে হায়রে (তমদা পাইগে) অদুনা শিদনবা হিংনবা থৌরাং (ৱাকোল) চৎনবী খঙলসে (লিফাসে) হায়রিবনি।

মপুনা তন্বীরক্লবা ঐখোয় অনীনা (তমদা পাইবা) ৱাফম হোংলগা (ৱাহোং) মপূং ফারবা ইমা ইপাগুম্না পাইগে (চীংদা পাইগে) হায়রি। অদুবু মপূং ফারবা ইমা, ইপা (চীংদা পাইবা) মখোয়নসু ৱাফম হোংনা (ৱাহোং) নঙ, ঐগুম ওইগে হায়রি (তমদা পাইগে হায়রি)। মপূং ফারবা ইমা, ইপা (চীংদা পাইবা) ৱাইনু মখোয়না (ৱাইনুনা) মপুনা তন্বীরক্লবা নঙ, ঐ মীওইবা (তমদা পাইগে) ওইনীংই হায়রে। নঙ, ঐ মীওইবা (তমদা পাইবা) অৱাংবা (ৱাং) + মীওইবা (ই) + নু ৱাইনু) ঐখোয়না মপূং ফানা (চীংদা) পাইবা ঙম্বা ওইগে (পাইগে হায়রে) হায়রে। শিদনবা হিংনবা থৌরাং (ৱাকোল) ৱাখল লৌশিংনা নাৱোং ওইরক্লো। অসুম্না নুপানা নুপীদা থেমজিনবনে। মতম অসিদা নুপীনা মমা, মপাদা পেন্দবা ৱাহৈ কয়া হায়দুনা তেংতাজরকই।

নুপী :- চীংদা শাৎপী ইঙেনলৈ, চীলনতনা কেনখিবা কল্লকই দে। ৱাহং :- মপূং মরৈ ফারবা (চীংদা) ইমা, ইপা, ৱাইনু খুন্নাই অথোইবী (শাৎপী ইঙেনলৈ) মখোয়না মপূং মরৈ ফানা নঙ, ঐবু থাক্লমদনা (চীলনতনা) মখোয়না পাইখিবা (কেনখিবা) অসি মীনুংশি খঙদবা থম্মোয় কল্লবা মখোয়নি (কল্লকই) চুমদেনে (দে) হায়রিদো।

নুপানা মখা তানা হায়রি :- ইঙেনলৈ ঐসু কৈদৌদে, ঐনা কেনগে কেনদেদো, মালংবনা হুম্বদা কেনবনি, দে। মালংবা ঐসু কৈদৌদে লৈরাংনা লৈকোক লোইদুনা কেনবনি, দে। ৱাহন :- ইমা, ইপা ৱাইনু অথোইবা য়াৱোন (ইঙেনলৈ) মখোয়নসু (ঐসু) ৱাইনু পুক্কে ওইনীংদে (কৈদৌদে), ইমা, ইপা মখোয়না (ইঙেনলৈ ঐনা) ওইগে হায়না ওইখিবা নত্তেদো (কেনগে কেন্দেদো), তাইবঙপাল শেম্বা মপুমাগী থৌরাংনা (মালংবনা) লৌখৎলকপদা (হুম্বদা) মখোয়না ৱাইনু চেক্লা ওইখিবনিনা লৈমিন্নবা ঙমখিদবনি (কেনবনি) অসি চুমদ্রবনি (দে)। তাইবঙ মপুনা থৌরাংলকপদসু (মালংবা ঐসু) অসুম্না তৌগে খনখিবা নত্তে (কৈদৌদে), তাইবঙপান শেম্বগী য়াৱোন থৌরাংনা (লৈরাংনা) য়াৱোনগী কাংলোন ওইরক্তুনা (লৈখোক লোইদুনা) ইমা-ইপা, মখোয়না ৱাইনু চেক্লা ওইখিবননি (কেনবনি) অসিসু চুমদ্রবনি (দে) । অসুম্না থেমজিনবনি, অদুবু য়াদ্রি।

মখা তানা নুপানা অমুক হায়রি :- হোই-য়া সনালেম্বী থোক্লকও লাই খুবাক খুবীগে, নাহুম পোলচেল শাবীগে, নিংথৌরেনগী শগোলদি মমৈ কে কে লাওবনি, অঙৌবা শগোল তোংবরা, লৈহাওনু লৈহাও য়োনগে চৎখিবা মানা পান্বা নুপাদা খুদোন তম্লম্মে, শে, শে চৎশি লাও সনা কোনুংদা। ৱাহন :- হোই হায়না য়াবীরক্লো (হোইয়া), মীওইবা খুন্নাই অথোইবী (সনালেম্বী) ওইহল্লকও (থোক্লকও), থৌরাংবীদুনা মীওইবা খুন্নাই খুল্লিংসে (লাই খুবাক খুবীগে), নৱোংনা লৌখৎলক্তুনা লৈফম তাফম ওইবা খুন্নাই হৌরসে, (নহুম পোলচেল শাবীকে), নহাক্কী অনীংবা থৌরম অথোইবনা খুন্নাই হিংনবা থৌরাংদি (নিংথৌরেল শগোল) মখা তানা পুকৈ-পুকৈ থৌরাংগদবনি (মমৈ কে কে লাওবনি), তশেং তশেংনা খুন্নাই হিংনবা থৌরাং লৈরবা (অঙৌবা শগোল তোংবরা)। অহানবা ওইবীনু (লৈহাওনু) নহাক্কী য়াৱোন্না অহানবা ওইগে খনখিবা (লৈহাও য়োনগে চৎখিবা) অদুবু তাইবঙ মপু মানা পান্বা নু, নঙ, ঐবু অরোইবদা খুন্নাই অমা ওইহনবীরম্লে, (মানা পান্বা নুপাদা খুদোল তম্লে) য়াবীরো কপ্পগনু নঙগী খুন্নাই হিংনবা থৌরাংদা চৎলসি (সে সে চৎলসি লাও সনা কোনুংদা)।

নুপীদো য়াবা ওইদ্রি মখা তানা থেমলি :- চেক্লা পাইখ্রবনা পোলবী হনজিল্লকপদা, চেক্লাগী কাইদোংফম খঙদ্রবনা পোলবী ককঙাওনরে, ইশাপী ইনেম মচা পামুবী, চীংনুংগী শানা লোক্তগী পাইবীরক্লো ইনেম মচা পামুবী। হৈরাং খোইনিদা চানবা হৈনিদা, ইসিবু থোইনা হাওবা হৈদি চীলতম্বা হৈনিদা, লাংসোনবীগী লময়াইদা মোনুনা ৱারে পোত্থাবা/ইশাপী লাও, লাও চৎসি লাও কল্লকপা য়ামই, কলচাওবা য়ামই, মাংদা থারো লাও পামুবী। মমাঙ লৈকায় থমপাল শাৎলে, ইকোই মুনা ঈল্লে খোইরাবা, ইশাবী লাও লাও চৎসি লাও। ইপাম লমদম মৈহৌরে খামপী মৈ কল্লো, ইশাবী লাও লাও চৎসি লাও কল্লকপা য়ামই, কলচাওবা য়ামই, ইমাংদা থারো লাও পামুবী।

ৱাহন :- ইমা ইপা চেক্লা ৱাইনুনা চৎখ্রবনা (চেক্লা পাইখ্রবনা) নঙ, ঐগী লৈফম (পোলপী) অমুক হন্না থিরকপদা (হনজিল্লকপদা) ইমা, ইপাগী মতৌগুম্নদি ওইবা ঙমদ্রবনা (চেক্লাগী কাইদোংফম খঙদ্রবনা) লৈফম চাফম থিবদা হৌবদা ৱাখল লৌশিং ৱোন্নরে (পোলবী ককঙাওনরে) মীওইবা (ই) খুন্নাই (শা) + হৌদোকপী (পী) নি, হায়বগী ই + শা + পী = ইশাপী, কৌজরে নহাকপু। অদুবু নহাক (ঈ) + অশোনবী (নেম) + অমগা (ম) + মান্নরে, চান্নরে (চা) হায়বগী ই + নেম + মা + চা = ইনেম মচাসু কৌজরে। অদুম ওইনমক ঐগী (ই) + মতেং পাংবী মপা ইপাং (ইপাং) + অমা (ম) + ওইরিবীনে (ওইবী) হায়বগী ই + পাং+ ম + ওইবী = ঈপাংমওইবী (পামোইবী) পামুবী, অসুম্না ইশাপী ইনেম মচা পামুবী, কৌরদুনা মখা তারক্লি। মপূং মরৈ ফারবা ইমোইনু (চীংনু) নহাক্কী খুন্নাইনা (শানা) লৌখৎপীরক্তুনা হিংনবা তৌবীরক্লো (লোক্তুনা পাইবিরক্লো) ইশাবী ইনেমমচা পামুবী। অহৌবা থৌরাং শেম শাবনি (হৈরাংখোইনি) মসিনা চানবা ওইনিদো (চানবা হৈনি) নঙ, ঐ মীওইবা অসিবু থোইদোক্লা (ইসিবু থোইনা) অহানবা ওইবনিনা (হাওবা হৈ) মপূং ফাবা থৌরাং থম্বা তারেদা, (চীল তম্বা হৈ)। ●

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE

Dated, the 3rd October, 2019

No.MU/3-95/SEAS/Aca/19/1733 The Schedule of admission test for the MA First Semester in the South East Asian Studies for the session 2019-20 is detailed as under:

A. Date of the Entrance Test for Admission: *05 October 2019(Saturday).* (Written Component).
B. Time: *11 AM to 1 PM.*
C. Venue: *Lecture Halls of the Departments of Political Science and Economics.*
D. Issue of Admit Cards for the Entrance Test: *From 01 October 2019 (Tuesday).*
E. Number of Seats to be filled: *30 (Thirty).*
F. Reservation Norm: *Manipur State Norm.*
G. Selection Process: *(i). Written Test of 80 Marks (Essay Type Questions); and (ii). Viva Voice of Shortlisted 60 Candidates.*
H. Dates of Viva Voice of Shortlisted Candidates: *07 - 08 October 2019.*
I. Date of Announcement of Entrance test: *09 October 2019 (Wednesday).*

Sd/- S.Buddhabati Devi
Assistant Registrar (Aca)

HL-B/5713/4

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা জননেতা ইরাবতকী মফম চাউনা লৈরি। সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা লৈবাক হুপ্না মাবু নীংশিংনরি।
(ক) জননেতানা সিলেটতা তম্লম্বা স্কুল অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) জননেতানা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "শেলবু পায়রবদি অতাঙবা লৈতে, ফংদবা লৈতে। কলিদদি শেল পায়বনা রাজানি।" ৱাফমসি 'মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ক্ষেত্রি বীরগী নোবেল অমদা গোপাল কৌবা অমগী নুপী টিমগী থৱায়না কাছাড়দা মপোক অমদা পোক্তুনা লৈরম্বা থেংনৈ। নোবেল অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। আর কে সনাহনবীগী ৱারীমচা অমদা কলাবু নুংশিজরুবী কনাগুম্বী অমবু কলাকার অদুনা মমায় কনশিল্লক্তুনা লৈফম খঙলক্তবা মতাং অমা উৎপা থেংনৈ। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নঙগী নাপলগী থৌরবা তিঙ্খ্বংনা/কনথৎলম্লবা ঐগী থমোয়দা/করিগী শোক্লরি অমুক নৌনা/হূ তৈরবা নঙগী নখূৎনা।" পরেংশিং অসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
| --- | --- | --- | --- | --- |
| 1. | EDUCATION LOAN AVAILABLE (HURRY, HURRY) | | | |
| 2. | Direct Selection & Joint for Airport post vacancy in IGI / Hydrabad & Bangalore (100% Guide & Success 50% ST – Reserved and Semi Government Work). | | | |
| i. | G-Head CSA/VIP Lounge Staff | 17,000 – 90,000 | 20 | G/M |
| ii. | Meet & Asst Staff/G-Retail CSA | 15,000 – 70,000 | 30 | X/XII |
| iii. | Ground Loader/Flight Cleaner | 13,000 60,000 | 30 | VIII/X |
| iv. | Airport Driver (Heavy) | 15,000 90,000 | 20 | X/XII |
| v. | Customer Potter | 17,000 – 60,000 | 10 | X/XII |
| vi. | Air Ticketing / Cargo Officer | 17,000 – 90,000 | 20 | G/M |
| vii. | Air Hostess / Cabin Crew | 45,000 – 3 Lac | 20 | XII/G |
| 3. | Direct Selection of Merchant Navy at Maritime Academy (IMA Comp.) | | | |
| i. | Documentation in Shipping | 25,000 above | 30 | XII/G |
| ii. | Accountant in Shipping | 25,000 above | 30 | XII/G |
| iii. | Management Shipping | 30,000 above | 20 | G/M |
| 4. | Urgent Imphal Post Vacancy (100% Guide) | | | |
| i. | Office Reception (Female) | 5,000 – 10,000 | 10 | X/XII/G |
| ii. | VIP Security Guard / Gunman Guard | 8,000 – 15,000 | 10 | VIII/X |
| iii. | Ex-Servicemen / Training Officer | 8,000 – 15,000 | 10 | VIII/X |
| iv. | Normal Security Guard/Ladies Guard | 6,000 – 10,000 | 15 | VIII/X |
| v. | Local Driver (D.L / TATA / VAN) | 5,000 – 10,000 | 10 | VIII/X |
| vi. | Micro Finance (CRO & RO) | 8,000 – 40,000 | 20 | X/XII/G |
| vii. | Asst. Manager/H.R. Manager(F) | 8,000 – (Ins&B) | 5 | G/MBA |
| viii. | Accountant/Tally/Store Keeper (M/F) | 8,000 above | 5 | XII/B.Com |
| ix. | House Keeping / Chowkider / Cook | 5,000 above | 20 | VIII/X |
| x. | Sweeper /Peon/helper | 4,000 above | 20 | VIII/X |
| xi. | Nurse (Male/ANM/GNM/B.SC Nurse) | 9,000 – 17,000 | 50 | Rel. Cert. |
| xii. | Lab Technician (ECG/X-Ray) | 6,000 – above | 10 | Rel. Cert. XII/G |
| xiii. | MIS-Co-Ordinator/Hosp. Admn. Off. | 6,000 – 12,000 | 10 | BCA/BBA |
| 5 | NO DEPOSIT WORK AT IMPHAL. | | | |
| i. | Dental Lab Agent | 5,000 – above | 10 | X/XII |
| ii. | Sales Executive/Marketing Manager | 10,000 – above | 20 | XII/G |
| iii. | Insurance Agent | Negotiable | 30 | XII/G |

Date of Submission : 19-10-2019
Date of Interview : 21-10-2019
Pllz Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.
Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Puknapham Press Gate

HL-P/4316/27,30sept-2,4,7,9,11,14,16,18oct

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN ☞ Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Class Starting from: 16th October, 2019
CBSE COHSEM
Class X & XII
Sc. & Arts
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Last Date of Admission 5th October, 2019
Seperate Experienced Teachers for CBSE & COHSEM from Reputed Schools
Every Year we produced Students with Flying Colours in the Exam
Every Year we produced POSITION Holders as a nature of DELTA
Test Series in same patern of CBSE & COHSEM
Extra Discussion/Application session for the Wicker Students
HL-B/5662/12sept-12oct